ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕ, ꯃꯥꯔꯆ ꯱꯸, ꯲꯰꯲꯴, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯷ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, মার্চ ১৮, ২০২৪, ইম্ফাল
৪৭শুবা চহী, ৩৪৬শুবা মশীং

হূই মমৈ চুম্লকখিগদ্রা
পূকচেল শেংবনা খ্বাইদগী মরু ওই

পূকচেল শেংবা হায়বসি খ্বাইদগী অথোইবা লোনচৎনি। মসিসু শা-ঙাগী নত্তে, মীওইবগীনি। পূকচেলবু শেংলবা ওইথোক্তবা অমসুং ঙমদবা অমত্তা লৈতে হায়দুনা ফাওবা হায়বদা হেঞ্জিনগদবা মান্দে। মসিমক্লা 'ওনেষ্টি কোষ্ট নথিং, বট গেন ইভ্রিথিং' হায়বা ৱাহৈ পরেং ফাওবা থোরকই। মসি ওইরগদি পূকচেল শেংনা, চুমদ্রি চৎপা, চুমদ্রিং তৌবা মীওই অমদদি মহাক্লা চৎলিবা লম্বেলদু ওন্ন-তৈনগদ্রা নৎত্রগা তৌরিবা থবক্তুগী অশোয়বা-অরানবা মহয় ফংলক্কদ্রা? ওইরকফম থোক্তে, ফংফম থোক্তে। অদু ওইরগদি হৌজিক মণিপুরদা ওইরিবা ফীভমশিংসিনা কনানা ওইহল্লকপনো? মসিগী তেকচাক পূন্নমক কনানা পুগদগে? রিজার্ভ অমসুং প্রোটেক্টেদ ফোরেষ্টশিং ঙাক-শেনবা, পোপি পাম্বীশিং থাবা থিংবা অমসুং মপান্দগী ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিং চঙশিল্লকপা থিংনবগী থবকশিং লৌখৎলুবগীদমক্তবু মণিপুর মোংফম্না পীক থনফম থোকপ্রা? অউ-অউবা চোঙশিন-চোঙশিন্দুনা হাত্তোক্নরকফম থোকপ্রা? মস্বাইদা মবুকচেল শেংদবা, শেপ্পা খরা শোয়দনা য়াওরমগনি হায়বদা লানগদ্রা? শূবা কাম্বা লায়রবা, চাবা কাম্বা য়াঙ্গংবগী থৌওং খরা শোয়দনা য়াওখ্রবরা হায়বসি পোষ্ট-মোর্টেম তৌদুনা চেকশিন্না য়েংশিনবা কান্নখিগনি হায়নীংই। হৌখ্রবশিং লোইনমক কোখোক্লুদ্রবসু মীয়াম্না মৈ হৌদুনা শাওরিবা লালহৌলূপ অমগী মীওই ৩ ফারগা পুখিবা থৌদোক খক্তমক লৌখৎতুনা য়েংসি। মার্চ ১৩, ২০২৪গী অয়ূক্তা ইন্দিয়ন এয়রফোর্সকী অখন্নবা ফ্লাইট অমদা লাকখিবা নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন আই এ) গী টিম অমনা মীওই ৩দু ফারখিবনি। মখোয় ৩ ফারমদাইদগীনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতগী পুখিদ্রিঙৈগী মরক্তা করি তৌখিগে? মীয়াম্না অমুক্তা উখিদ্রিবা মওংদা নোং ঙাল্লকপদগী ইম্ফাল অমসুং গ্রেটর ইম্ফালগী মরু ওইবা মফমশিংদা য়াল্লবা ষ্টেট অমসুং সেন্ট্রেল ফোর্সকী পর্সনেলশিং চাইথোক্তুনা লানবনদৌনা মাঙজৌননা ঙাক-শেনবগী থবকশিং লৌখৎখ্রিবা নৎত্রা? থৌরাং অদুমক্না মীওই ৩দু ফারগা পুখিবদা থোকহন্নীংদবা থৌদোক অমত্তা থোকখিদ্রিবনি।

নুমিৎতুগী থৌরাং-থৌশিলদুবু ষ্টেট লৈঙাক্না তৌজরমগদবা মানবু মানশিল্লক্তে। এন আই এনা হোম মিনিষ্ট্রিদগী অয়াবা লৌরগা লম্ফেলপাৎতা লৈবা মখোয়গী ব্রাঞ্চ ওফিসকা খূৎশম্নরগা পাঙথোক্লমগদববু মাল্লে। অদুবু মীওই অহুমদু ফাবদা ষ্টেট ফোর্সকী টিম অমনা এন আই এদা মতেং পাংখি হায়বসিদি অরানবা নত্তে। থৌদোকসিগী মতাংদা হায়নীংলিবদি মীওই ৩দু এন আই এনা ফাবা লাল্লি নৎত্রগা চুম্মী হায়বা নত্তে। মরাল লৈ নৎত্রগা লৈতে হায়বসু নত্তে। ফারগা মপান্দা পুখিদ্রিবা ফাওবদদি চেকশিন থৌরাং মাঙজৌননা লৌখৎখি হায়বনি। অসুম্মাইনা প্রোটেক্টেদ অমসুং রিজার্ভ ফোরেষ্টতগী এনক্রোচরশিং তকখায়রমদাই, পোপি পাম্বীশিং থাবা থিংদুনা য়ান্থৎলমদাই অমসুং মীতোপশিং তকখাইবা হৌরমদাইদদি মথৌ তাবা থবকশিং লৌখৎকদবা নখূৎশিংদু নপথি কোৎতুনা, হাক্কচবা হোৎতুনা লৈব্রা হায়বনি। প্রোটেক্টেদ অমসুং রিজার্ভ ফোরেষ্ট হায়বসিবু 'চীং' নৎত্রগা 'চীংগী এরিয়া' শিংবু খঙনরোইদ্রা? মসি ওইরগদি মতম কুইনদগী পাঙথোক্তুনা নমশিন্দুনা থম্লক্লিবা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলশিংগী মীখল পাঙথোক্লগা খল্লকপা মীহুৎশিংদুনা মাঙ থাহল্লগা শীজিন্নদুনা থবক অহুমসি মথং-মথং পাঙথোক্লম্বা য়াদব্রা? এ দি সীগী চেয়রমেন অমসুং মেম্বরশিং চুঙ্গোই ওইহল্লম্বগী ৱাখল চেলহৌদব্রা? মদু ওইরগদি চীফ মিনিষ্টর মীতৈনি হায়দুনা ফূরুপসিদা অতম্না ওনশিন্দুনা চত্থরক্লিবা তমথীরবা লানসি চত্থরক্কদ্রা? লৈঙাক্না লৈরিবা লোশিং চৎনহনগদবনি খঙই। অদুবু লো খুদিংমক চৎনহল্লকপদা মরী লৈনবা অমসুং অকক্নবা মীয়াম অমদি মফমগগী মরক্তা হান্ননা ৱাখল তামিন্নহৌবদি চঙদব্রা? হৌজিক্তি করি শারগে? লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অহোবা, অশোয়বশিং অসি লৈখিবদগীরা হৌজিক লানসিনা থা ১১ চঙশিল্লক্লবা ফাওবদা 'ঐখোয় য়েংবনি, কুকিশিংসু ষ্টেটসিগী মীয়ামনি, কন্থি থোক্লা তৌরুবা য়াদ্রি' হায়দুনা হঞ্জিন-হঞ্জিন হায়দুনা লৈরিবসে? মশ্বাইদনি পূকচেল শেংবগী চন্নফম হীরম খুদিংমক্তা লৈ। অদুবু, হূই মমৈগুম্বা পূকচেলদি তোংজে থারসু চুম্লক্লরোই হায়ব'মা লৈরিবসি। উবদদি মিৎ নারেদা!!

ꯍꯨꯏ ꯃꯃꯩ ꯆꯨꯝꯂꯛꯈꯤꯒꯗ꯭ꯔꯥ
ꯄꯨꯛꯆꯦꯜ ꯁꯦꯡꯕꯅ ꯈꯥꯏꯗꯒꯤ ꯃꯔꯨ ꯑꯣꯏ

ꯄꯨꯛꯆꯦꯜ ꯁꯦꯡꯕ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤ ꯈꯥꯏꯗꯒꯤ ꯑꯊꯣꯏꯕ ꯂꯣꯟꯆꯠꯅꯤ꯫ ꯃꯁꯤꯁꯨ ꯁꯥ-ꯉꯥꯒꯤ ꯅꯠꯇꯦ, ꯃꯤꯑꯣꯏꯕꯒꯤꯅꯤ꯫ ꯄꯨꯛꯆꯦꯜꯕꯨ ꯁꯦꯡꯂꯕ ꯑꯣꯏꯊꯣꯛꯇꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯉꯝꯗꯕ ꯑꯃꯇꯥ ꯂꯩꯇꯦ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅ ꯐꯥꯎꯕ ꯍꯥꯌꯕꯗ ꯍꯦꯟꯖꯤꯟꯒꯗꯕ ꯃꯥꯟꯗꯦ꯫ ꯃꯁꯤꯃꯛꯂꯥ 'ꯑꯣꯅꯦꯁ꯭ꯇꯤ ꯀꯣꯁ꯭ꯠ ꯅꯊꯤꯡ, ꯕꯠ ꯒꯦꯟ ꯏꯚ꯭ꯔꯤꯊꯤꯡ' ꯍꯥꯌꯕ ꯋꯥꯍꯩ ꯄꯔꯦꯡ ꯐꯥꯎꯕ ꯊꯣꯔꯀꯏ꯫ ꯃꯁꯤ ꯑꯣꯏꯔꯒꯗꯤ ꯄꯨꯛꯆꯦꯜ ꯁꯦꯡꯅ, ꯆꯨꯝꯗ꯭ꯔꯤ ꯆꯠꯄ, ꯆꯨꯝꯗ꯭ꯔꯤꯡ ꯇꯧꯕ ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯑꯃꯗꯗꯤ ꯃꯍꯥꯛꯂꯥ ꯆꯠꯂꯤꯕ ꯂꯝꯕꯦꯂꯗꯨ ꯑꯣꯟꯅ-ꯇꯩꯅꯒꯗ꯭ꯔꯥ ꯅꯠꯔꯒꯥ ꯇꯧꯔꯤꯕ ꯊꯕꯛꯇꯨꯒꯤ ꯑꯁꯣꯌꯕ-ꯑꯔꯥꯟꯕ ꯃꯍꯩ ꯐꯪꯂꯛꯀꯗ꯭ꯔꯥ? ꯑꯣꯏꯔꯀꯐꯝ ꯊꯣꯛꯇꯦ, ꯐꯪꯐꯝ ꯊꯣꯛꯇꯦ꯫ ꯑꯗꯨ ꯑꯣꯏꯔꯒꯗꯤ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯗ ꯑꯣꯏꯔꯤꯕ ꯐꯤꯚꯃꯁꯤꯡꯁꯤꯅ ꯀꯅꯥꯅ ꯑꯣꯏꯍꯜꯂꯀꯄꯅꯣ? ꯃꯁꯤꯒꯤ ꯇꯦꯀꯆꯥꯛ ꯄꯨꯟꯅꯃꯛ ꯀꯅꯥꯅ ꯄꯨꯒꯗꯒꯦ? ꯔꯤꯖꯥꯔꯚ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯄ꯭ꯔꯣꯇꯦꯛꯇꯦꯗ ꯐꯣꯔꯦꯁ꯭ꯇꯁꯤꯡ ꯉꯥꯛ-ꯁꯦꯟꯕ, ꯄꯣꯄꯤ ꯄꯥꯝꯕꯤꯁꯤꯡ ꯊꯥꯕ ꯊꯤꯡꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯄꯥꯟꯗꯒꯤ ꯏꯜꯂꯤꯒꯦꯜ ꯏꯝꯃꯤꯒ꯭ꯔꯦꯟꯇꯁꯤꯡ ꯆꯪꯁꯤꯜꯂꯀꯄ ꯊꯤꯡꯅꯕꯒꯤ ꯊꯕꯛꯁꯤꯡ ꯂꯧꯈꯠꯂꯨꯕꯒꯤꯗꯃꯛꯇꯕꯨ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯃꯣꯡꯐꯝꯅ ꯄꯤꯛ ꯊꯟꯐꯝ ꯊꯣꯛꯄ꯭ꯔꯥ? ꯑꯎ-ꯑꯎꯕ ꯆꯣꯡꯁꯤꯟ-ꯆꯣꯡꯁꯤꯟꯗꯨꯅ ꯍꯥꯠꯇꯣꯛꯅꯔꯀꯐꯝ ꯊꯣꯛꯄ꯭ꯔꯥ? ꯃꯁ꯭ꯋꯥꯏꯗ ꯃꯕꯨꯛꯆꯦꯜ ꯁꯦꯡꯗꯕ, ꯁꯦꯞꯄ ꯈꯔꯥ ꯁꯣꯌꯗꯅ ꯌꯥꯎꯔꯃꯒꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯗ ꯂꯥꯟꯒꯗ꯭ꯔꯥ? ꯁꯨꯕ ꯀꯥꯝꯕ ꯂꯥꯏꯔꯕ, ꯆꯥꯕ ꯀꯥꯝꯕ ꯌꯥꯡꯉꯡꯕꯒꯤ ꯊꯧꯑꯣꯡ ꯈꯔꯥ ꯁꯣꯌꯗꯅ ꯌꯥꯎꯈ꯭ꯔꯕꯔꯥ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤ ꯄꯣꯁ꯭ꯠ-ꯃꯣꯔꯇꯦꯝ ꯇꯧꯗꯨꯅ ꯆꯦꯛꯁꯤꯟꯅ ꯌꯦꯡꯁꯤꯟꯕ ꯀꯥꯟꯅꯈꯤꯒꯅꯤ ꯍꯥꯌꯅꯤꯡꯏ꯫ ꯍꯧꯈ꯭ꯔꯕꯁꯤꯡ ꯂꯣꯏꯅꯃꯛ ꯀꯣꯈꯣꯛꯂꯨꯗ꯭ꯔꯕꯁꯨ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅ ꯃꯩ ꯍꯧꯗꯨꯅ ꯁꯥꯎꯔꯤꯕ ꯂꯥꯜꯍꯧꯂꯨꯞ ꯑꯃꯒꯤ ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯳ ꯐꯥꯔꯒꯥ ꯄꯨꯈꯤꯕ ꯊꯧꯗꯣꯛ ꯈꯛꯇꯃꯛ ꯂꯧꯈꯠꯇꯨꯅ ꯌꯦꯡꯁꯤ꯫ ꯃꯥꯔꯆ ꯱꯳, ꯲꯰꯲꯴ꯒꯤ ꯑꯌꯨꯛꯇ ꯏꯟꯗꯤꯌꯟ ꯑꯦꯌꯔꯐꯣꯔꯁꯀꯤ ꯑꯈꯟꯅꯕ ꯐ꯭ꯂꯥꯏꯠ ꯑꯃꯗ ꯂꯥꯀꯈꯤꯕ ꯅꯦꯁꯅꯜ ꯏꯅꯚꯦꯁ꯭ꯇꯤꯒꯦꯁꯟ ꯑꯦꯖꯦꯟꯁꯤ (ꯑꯦꯟ ꯑꯥꯏ ꯑꯦ) ꯒꯤ ꯇꯤꯝ ꯑꯃꯅ ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯳ꯗꯨ ꯐꯥꯔꯈꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯈꯣꯌ ꯳ ꯐꯥꯔꯃꯗꯥꯏꯗꯒꯤꯅ ꯏꯝꯐꯥꯜ ꯑꯦꯌꯔꯄꯣꯔꯠꯇꯒꯤ ꯄꯨꯈꯤꯗ꯭ꯔꯤꯉꯩꯒꯤ ꯃꯔꯛꯇ ꯀꯔꯤ ꯇꯧꯈꯤꯒꯦ? ꯃꯤꯌꯥꯝꯅ ꯑꯃꯨꯛꯇ ꯎꯈꯤꯗ꯭ꯔꯤꯕ ꯃꯑꯣꯡꯗ ꯅꯣꯡ ꯉꯥꯜꯂꯀꯄꯗꯒꯤ ꯏꯝꯐꯥꯜ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯒ꯭ꯔꯦꯇꯔ ꯏꯝꯐꯥꯂꯒꯤ ꯃꯔꯨ ꯑꯣꯏꯕ ꯃꯐꯃꯁꯤꯡꯗ ꯌꯥꯜꯂꯕ ꯁ꯭ꯇꯦꯠ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯁꯦꯟꯠꯔꯦꯜ ꯐꯣꯔꯁꯀꯤ ꯄꯔꯁꯅꯦꯂꯁꯤꯡ ꯆꯥꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅ ꯂꯥꯟꯕꯟꯗꯧꯅ ꯃꯥꯡꯖꯧꯅꯅ ꯉꯥꯛ-ꯁꯦꯟꯕꯒꯤ ꯊꯕꯛꯁꯤꯡ ꯂꯧꯈꯠꯈ꯭ꯔꯤꯕ ꯅꯠꯔꯥ? ꯊꯧꯔꯥꯡ ꯑꯗꯨꯃꯛꯅ ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯳ꯗꯨ ꯐꯥꯔꯒꯥ ꯄꯨꯈꯤꯕꯗ ꯊꯣꯛꯍꯟꯅꯤꯡꯗꯕ ꯊꯧꯗꯣꯛ ꯑꯃꯇꯥ ꯊꯣꯛꯈꯤꯗ꯭ꯔꯤꯕꯅꯤ꯫

ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯨꯒꯤ ꯊꯧꯔꯥꯡ-ꯊꯧꯁꯤꯂꯗꯨꯕꯨ ꯁ꯭ꯇꯦꯠ ꯂꯩꯉꯥꯛꯅ ꯇꯧꯖꯔꯃꯒꯗꯕ ꯃꯥꯟꯕꯨ ꯃꯥꯟꯁꯤꯜꯂꯛꯇꯦ꯫ ꯑꯦꯟ ꯑꯥꯏ ꯑꯦꯅ ꯍꯣꯝ ꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯠꯔꯤꯗꯒꯤ ꯑꯌꯥꯕ ꯂꯧꯔꯒꯥ ꯂꯝꯐꯦꯜꯄꯥꯠꯇ ꯂꯩꯕ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯕ꯭ꯔꯥꯟꯆ ꯑꯣꯐꯤꯁꯀꯥ ꯈꯨꯠꯁꯝꯅꯔꯒꯥ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯂꯃꯒꯗꯕꯕꯨ ꯃꯥꯜꯂꯦ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯑꯍꯨꯃꯗꯨ ꯐꯥꯕꯗ ꯁ꯭ꯇꯦꯠ ꯐꯣꯔꯁꯀꯤ ꯇꯤꯝ ꯑꯃꯅ ꯑꯦꯟ ꯑꯥꯏ ꯑꯦꯗ ꯃꯇꯦꯡ ꯄꯥꯡꯈꯤ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯗꯤ ꯑꯔꯥꯟꯕ ꯅꯠꯇꯦ꯫ ꯊꯧꯗꯣꯛꯁꯤꯒꯤ ꯃꯇꯥꯡꯗ ꯍꯥꯌꯅꯤꯡꯂꯤꯕꯗꯤ ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯳ꯗꯨ ꯑꯦꯟ ꯑꯥꯏ ꯑꯦꯅ ꯐꯥꯕ ꯂꯥꯜꯂꯤ ꯅꯠꯔꯒꯥ ꯆꯨꯝꯃꯤ ꯍꯥꯌꯕ ꯅꯠꯇꯦ꯫ ꯃꯔꯥꯜ ꯂꯩ ꯅꯠꯔꯒꯥ ꯂꯩꯇꯦ ꯍꯥꯌꯕꯁꯨ ꯅꯠꯇꯦ꯫ ꯐꯥꯔꯒꯥ ꯃꯄꯥꯟꯗ ꯄꯨꯈꯤꯗ꯭ꯔꯤꯕ ꯐꯥꯎꯕꯗꯗꯤ ꯆꯦꯛꯁꯤꯟ ꯊꯧꯔꯥꯡ ꯃꯥꯡꯖꯧꯅꯅ ꯂꯧꯈꯠꯈꯤ ꯍꯥꯌꯕꯅꯤ꯫ ꯑꯁꯨꯝꯃꯥꯏꯅ ꯄ꯭ꯔꯣꯇꯦꯛꯇꯦꯗ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯔꯤꯖꯥꯔꯚ ꯐꯣꯔꯦꯁ꯭ꯇꯇꯒꯤ ꯑꯦꯟꯀ꯭ꯔꯣꯆꯔꯁꯤꯡ ꯇꯛꯈꯥꯏꯔꯃꯗꯥꯏ, ꯄꯣꯄꯤ ꯄꯥꯝꯕꯤꯁꯤꯡ ꯊꯥꯕ ꯊꯤꯡꯗꯨꯅ ꯌꯥꯟꯊꯠꯂꯃꯗꯥꯏ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯤꯇꯣꯞꯁꯤꯡ ꯇꯛꯈꯥꯏꯕ ꯍꯧꯔꯃꯗꯥꯏꯗꯗꯤ ꯃꯊꯧ ꯇꯥꯕ ꯊꯕꯛꯁꯤꯡ ꯂꯧꯈꯠꯀꯗꯕ ꯅꯈꯨꯠꯁꯤꯡꯗꯨ ꯅꯄꯊꯤ ꯀꯣꯠꯇꯨꯅ, ꯍꯥꯛꯀꯆꯕ ꯍꯣꯠꯇꯨꯅ ꯂꯩꯕ꯭ꯔꯥ ꯍꯥꯌꯕꯅꯤ꯫ ꯄ꯭ꯔꯣꯇꯦꯛꯇꯦꯗ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯔꯤꯖꯥꯔꯚ ꯐꯣꯔꯦꯁ꯭ꯠ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯕꯨ 'ꯆꯤꯡ' ꯅꯠꯔꯒꯥ 'ꯆꯤꯡꯒꯤ ꯑꯦꯔꯤꯌꯥ' ꯁꯤꯡꯕꯨ ꯈꯪꯅꯔꯣꯏꯗ꯭ꯔꯥ? ꯃꯁꯤ ꯑꯣꯏꯔꯒꯗꯤ ꯃꯇꯝ ꯀꯨꯏꯅꯗꯒꯤ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯇꯨꯅ ꯅꯃꯁꯤꯟꯗꯨꯅ ꯊꯝꯂꯛꯂꯤꯕ ꯆꯤꯡꯒꯤ ꯗꯤꯁ꯭ꯠꯔꯤꯛꯇꯁꯤꯡꯒꯤ ꯑꯣꯇꯣꯅꯣꯃꯁ ꯗꯤꯁ꯭ꯠꯔꯤꯛꯠ ꯀꯥꯎꯟꯁꯤꯂꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯤꯈꯜ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯂꯒꯥ ꯈꯜꯂꯀꯄ ꯃꯤꯍꯨꯠꯁꯤꯡꯗꯨꯅ ꯃꯥꯡ ꯊꯥꯍꯜꯂꯒꯥ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯗꯨꯅ ꯊꯕꯛ ꯑꯍꯨꯃꯁꯤ ꯃꯊꯡ-ꯃꯊꯡ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯂꯝꯕ ꯌꯥꯗꯕ꯭ꯔꯥ? ꯑꯦ ꯗꯤ ꯁꯤꯒꯤ ꯆꯦꯌꯔꯃꯦꯟ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯦꯝꯕꯔꯁꯤꯡ ꯆꯨꯡꯉꯣꯏ ꯑꯣꯏꯍꯜꯂꯝꯕꯒꯤ ꯋꯥꯈꯜ ꯆꯦꯂꯍꯧꯗꯕ꯭ꯔꯥ? ꯃꯗꯨ ꯑꯣꯏꯔꯒꯗꯤ ꯆꯤꯐ ꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯇꯔ ꯃꯤꯇꯩꯅꯤ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅ ꯐꯨꯔꯨꯞꯁꯤꯗ ꯑꯇꯝꯅ ꯑꯣꯅꯁꯤꯟꯗꯨꯅ ꯆꯠꯊꯔꯛꯂꯤꯕ ꯇꯃꯊꯤꯔꯕ ꯂꯥꯟꯁꯤ ꯆꯠꯊꯔꯛꯀꯗ꯭ꯔꯥ? ꯂꯩꯉꯥꯛꯅ ꯂꯩꯔꯤꯕ ꯂꯣꯁꯤꯡ ꯆꯠꯅꯍꯟꯒꯗꯕꯅꯤ ꯈꯪꯏ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯂꯣ ꯈꯨꯗꯤꯡꯃꯛ ꯆꯠꯅꯍꯜꯂꯀꯄꯗ ꯃꯔꯤ ꯂꯩꯅꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯑꯀꯛꯅꯕ ꯃꯤꯌꯥꯝ ꯑꯃꯗꯤ ꯃꯐꯃꯒꯒꯤ ꯃꯔꯛꯇ ꯍꯥꯟꯅꯅ ꯋꯥꯈꯜ ꯇꯥꯃꯤꯟꯅꯍꯧꯕꯗꯤ ꯆꯪꯗꯕ꯭ꯔꯥ? ꯍꯧꯖꯤꯛꯇꯤ ꯀꯔꯤ ꯁꯥꯔꯒꯦ? ꯂꯩꯉꯥꯛꯀꯤ ꯃꯥꯌꯀꯩꯗꯒꯤ ꯑꯍꯣꯕ, ꯑꯁꯣꯌꯕꯁꯤꯡ ꯑꯁꯤ ꯂꯩꯈꯤꯕꯗꯒꯤꯔꯥ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯂꯥꯟꯁꯤꯅ ꯊꯥ ꯱꯱ ꯆꯪꯁꯤꯜꯂꯛꯂꯕ ꯐꯥꯎꯕꯗ 'ꯑꯩꯈꯣꯌ ꯌꯦꯡꯕꯅꯤ, ꯀꯨꯀꯤꯁꯤꯡꯁꯨ ꯁ꯭ꯇꯦꯇꯁꯤꯒꯤ ꯃꯤꯌꯥꯃꯅꯤ, ꯀꯟꯊꯤ ꯊꯣꯛꯂꯥ ꯇꯧꯔꯨꯕ ꯌꯥꯗ꯭ꯔꯤ' ꯍꯥꯌꯗꯨꯅ ꯍꯟꯖꯤꯟ-ꯍꯟꯖꯤꯟ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅ ꯂꯩꯔꯤꯕꯁꯦ? ꯃꯁ꯭ꯋꯥꯏꯗꯅꯤ ꯄꯨꯛꯆꯦꯜ ꯁꯦꯡꯕꯒꯤ ꯆꯟꯅꯐꯝ ꯍꯤꯔꯝ ꯈꯨꯗꯤꯡꯃꯛꯇ ꯂꯩ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ, ꯍꯨꯏ ꯃꯃꯩꯒꯨꯝꯕ ꯄꯨꯛꯆꯦꯂꯗꯤ ꯇꯣꯡꯖꯦ ꯊꯥꯔꯁꯨ ꯆꯨꯝꯂꯛꯂꯔꯣꯏ ꯍꯥꯌꯕ'ꯃꯥ ꯂꯩꯔꯤꯕꯁꯤ꯫ ꯎꯕꯗꯗꯤ ꯃꯤꯠ ꯅꯥꯔꯦꯗ!!

লৌমীশিংগী কাখল
লৌউ-শিংউগী ৱাহং পাউখুম

পাউখুম পীবিরিবা ঃ
ডা. এম থোইথোই সিংহ

Q1. লমদমসি ঈশিং ৱাবনিনা ফৈদোমশিংগী মথক্তা ড্রিপ পাইপ অমসুং পোল্লি মলচ শীজিন্নজে। ড্রিপ পাইপ্তা ঈশিং থাবদা নাইট্রোজেন ফীক্সর, ফোসফরস সোলুবিলাইজর অমসুং পোটাশ মোবিলাইজরনচিংবা বেক্টেরিয়াশিং হাপচিনগে খল্লি। অদুবু নুংশা হাইগৎলকপসিদা পাইপ মনুংগী ঈশিংসি মথক্তা পোল্লি মলচসু কুপশিল্লবনিনা য়াম্না শাই। বেক্টেরিয়াশিং হাৎখিগদ্রা? নুমিদাং থেংথরগা ঈশিং থাবা তাবরা? নুমিদাং থবক শূবসিদি খুদোং চাদবা খরদি লৈ। - ***খোইস্নাম রোমেশ, মোইরাং কম্পু শাজেব, ইম্ফাল ইষ্ট***

N
WELLAZOTO
P
WELLPHOS
K
WELLPOTASH
Futuria aurantia
500 ml.

☞ নুংশিত্তগী নাইট্রোজেন ফাজিল্লগা পাম্বীনা শীজিন্নবা ঙমহল্লিবা বেক্টেরিয়াশিংগী মথৌ খ্বাইদগী ফজনা পাঙথোকপা ঙন্বসি দিগ্রী সেলসিয়স ২৫.২নি হায়রবসু দিগ্রী সেলসিয়স ৩৫ ফাওবা মথৌ পাঙথোকই।

ফোসফরস সোলুবিলাইজিং বেক্টেরিয়াশিংনা লৈবাক্তা লৈবা ফোসফরসপু পাম্বীনা ফংবা ঙমগদবা মওংদা থুগাইহল্লি। দিগ্রী সেলসিয়স ২০-২৫ ফাওবদা মথৌ য়াম্না ফজনা পাঙথোকই। দিগ্রী সেলসিয়স ৪৫ য়ৌবা ফাওবা মথৌ পাঙথোকপা ঙম্মী।

পোটাশ মোবিলাইজর ষ্ট্রেন খেন্নবগী মতুংইন্না দিগ্রী সেলসিয়স ২৫দগী ৩০ ফাওবদা মথৌ য়াম্না ফজনা পাঙথোকই। দিগ্রী সেলসিয়স ৪৫ য়ৌখ্রবদি মথৌ পাঙথোকপা হন্থরকই।

বেক্টেরিয়াশিং অসিগী মৈশা খাঙবগী মওং মতৌ য়েংবদা ঈশিংদুদা (শারবসু) য়াল্লগা পাইপ্তা থাখিবদা শিরোই। কা হেন্না শাবা নুমিত্তা ঈশিংগা লোয়ননা পীবা তারবসু নুংথিলদা পীবিয়ু। পাইপ্তা থাগদৌরিবা ঈশিংবু শাবা হন্থনবা হান্না মখুম হাংদোক্লগা থম্বীয়ু। চেকশিনবীবগী অদোম্বু ইকায়খুম্নজে।

Q2. হঙ্গাম, কোবী, কোবী থমচেৎ, হৱাইমুবী, হৱাই থরাক্লচিংবা মনা-মশিং য়াম্না হোঙমনবসিদা পোৎ থাগদবসি তল্লে। হৈনীংবা ফাওদ্রে। মসিসু লান মরক্তা! লৌউ-শিংউ নত্তবা থবক অমদা ওন্থোক্কদবসু শেলগী থবক্লি। ফৌ লোক্লবা মতুং নিংথমথাদা করি থাবনা হেন্না ফগদগে?

- ***লাইশ্রম ইবোমচা***

☞ **থাফমগী লৈবাক, ফংলিবা ঈশিং** অমসুং **অকোয়বগী মওং মতৌ** খঙলবা মতুংদা মফমদুদা চানগদবা পাম্বী থাবনদি হেন্না ফৈ।

চুম্মী, খুদোংচাদবা ময়াম অমদি লৈরে। অদুবু মনা মশিংগুম্বসি কুইনা থম্বা য়াদবনা অতেনবা মতম খরগী মনুংদা লোইনমক য়োম্থোক্নবা হোৎনরকপনা হোঙথরক্লিবনি। খরা কুইনা থম্বা য়াবা পোৎলমশিংদা মায় ওনশিনসি। মফমদুদা তিষ্ট্রো-চনম, আলুনচিংবা নৎত্রগসু হৱাই-চেংৱাইনচিংবশিং থানবা হোৎনবা য়াই। তিষ্ট্রো-চনম চানগদবা মফম ওইরবদি য়াম্না ফরে। য়োনফমগী অৱাবা লৈরোই। য়োন্নীংবা মতমদা য়োনবা য়াগনি। মণিপুরগী মায়কৈ অহুমদগী পুশিল্লক্লিবা তিষ্ট্রো-চনম, আলুনচিংবগীদমক মপান্দা চৎখিগদবা শেনফম খরদা ওইরবসু কনবা ঙমগনি। মায়কৈ অসোমদসু খরা চঙশিনবা ফগনি খঞ্জে।

Q3. খরা ঙন্না ঈংলিঙৈদা থানবা কোবী থমচেৎ মখলদু থেংথনা থারুরে। শাগৎলকপা মতমসিদা থমচেৎ ফজগদৌবা মান্দ্রে। করম তৌরগা খরা মখৈ লোকপা য়াগদগে? -**মাইবম জোগেন, ৱাবগাই**

☞ ঈশিং লৈরবদি (মরাং কায়রবদি) তোয়না পীশি। লৈবাক্তগী মনিল ওইনা পাইখৎহল্লগা লৈবাক অমসুং পাম্বীশিং খরা হেন্না ঈংথহন্নবা হোৎনসি। ফোটোদগী খঙজবদা থমচেৎ লৈ লাকপা হৌরবনিনা পাম্বীশিং হৌরিবা মফমদুমক ঙন্মীবা মখৈ ঈংথহনগদবনি হায়বসি ৱাখলদা থম্বীয়ু।

অনীশুবদা CONTEGO (Titanium Dioxide nenoparticle + Octinosat + Homosalate) মিলিলিটর ২৫ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা নুমিৎ ২০নি কান্নরগা অনীরক কাপথোকসি। মসিদা অকনবা নুংশাদগী ঙাকথোকপদা নত্তনা লায়না অমসুং তীলনা তাবা হন্থহল্লি। খুদোংচাদবা অমনা হীদাকসি তাঙই। অতাঙবা পাম্বীদা শীজিন্ননবনি। লিটর মখায়দা লুপা লিশীং অনীগা চনী/চহুম পী। থারিবা কোবিগী চাংদুগা, শীজিন্নগদৌরিবা হীদাকসিগা চানগদ্রা হায়বদুসু য়েংবা চংই।

Q4. হৱাই মখায়াৎমুবী তীল হীদাক তোৎলগা অথেংবগীদমক হুনখি। মপাল লাকপা হৌরে। কুরাকসু য়াম্না পাই। মরূদা তোৎখিবা হীদাক্তু কান্নখিগদ্রা নৎত্রগা হৌজিক করি কাপকনি?

শাগৎলকপসিদা কোকফাই লায়না লাক্তনবা করি শীজিন্নবা য়াবগে খঙজনীংই।

-রাধেশ্যাম, থৌবাল নোঙ্গাংখোং

☞ মরূদা হীদাক তোৎপনা পীরিবা কান্নবসি মতম খরখক্কীনি। মরূদা চেন্নরকপা লায়না হাৎনবা অমসুং মরূনা তারুরিবা মফমদুদা লৈরম্বা লায়না থোকহনবা ঙম্বা কোকফাই অমসুং বেক্টেরিয়া হাৎনবা হীদাকশিং তোৎনৈ। মরূদা তীলদি চেন্নরক্তে; তীল হীদাক তোৎলিবসিদি মরূদুনা তারুরিবা মফমদুদা লৈরম্বা তীলশিং হাৎনবা অমসুং পাম্বী মশাদু মতম খরা হু চেলহন্দুনা তীলশিংদগী ঙাকথোকচনবা খক্কীনি। য়াল্লবদা নুমিৎ ১৫-২০ খক কান্নবা ফংনবনি। অদুবু হিংকুপশিং শম্না Trichoderma মখলশিং অমসুং নুংশিত্তগী নাইট্রোজেন ফানবা বেক্টেরিয়াশিং তোৎশিনবসিনা তুং কোইনা লৈনবনি।

হৌজিক মপাল শাবদসু ঙাইরিবনিনা অচম্বা হীদাক অমা হেক্তা কাপ্পা য়াই। নিম ওইল (Neem well) 3000 ppm or other) মিলিলিটর ৫০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোকপসু য়াই।

তীলশিংনা থরাক হুৎপা হৌরবদি Chlorantraniliprole 18.5% (JU Desigen, Coragen) মিলিলিটর অহুম ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা পাম্বীগী মথক থংবা তঙ্খাই অমদি চোৎনবা কাপথোকপীয়ু। মসি নৎত্রগসু ওর্গানিক ওইবা হীদাক Killer 707 মিলিলিটর ২০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোক্কনি।

ফৌ পাম্বীগী মপূন্সিগী মরু ওইবা তাঙ্ককশিং খঙজিনবগী কান্নবা

- এস সুমঙ্গল -

ফৌ থাবদা চাথোক লৈনবা হোৎনবা হায়বসি ফৌ থাবিরিবা ইচিন-ইনাওশিংগী মরু ওইবা পান্দম ওইফম থোকই। হায়রিবা পান্দম অসি ফংননবা তোঙান-তোঙানবা থবক থৌরম কয়া অমা মতম চানা, কাঙলোন চুম্না পায়খৎপা মথৌ তাই। থমজরিবা মতম চানা হায়রিবা ৱাফম অসি য়াম্নমক মরু ওইবা মরম অমা ওই। লোয়ননা পায়খৎকদৌরিবা থবক থৌরমশিং অসিসু করম্না মতম চানা পায়খৎকদগে হায়বা ৱাফমসি লাকপদা ফৌগী মপূন্সিগী মরু ওইবা তাঙ্ককশিংবু মমুৎ তানা খঙবা হায়বসিগা য়াম্নমক মরী লৈনৈ হায়বা তাই। থমজরিবশিং অসি মপূং ফানবা ফৌ পাম্বীশিংগী মপূন্সিগী তাঙ্ককশিং তঙাইফদনা মমুৎ তানা খঙননবা হোৎনমিন্নসি।

য়েলহৌঙৈ মতমদগী হৌনা ইপা-ইপুশিংনা ফৌগী মপূন্সিগী তাঙ্ককশিং মমিং থোন্দুনা থম্বীরম্মী। হায়রিবা ইপা-ইপুশিংনা মমিং থোনবিরম্মীবা তাঙ্ককশিং অসিগা লৌউ বিজ্ঞাননা মচা খায়না থম্বীরিবা তাঙ্ককশিংগা চাংদম্নদুনা খরা মমুৎ তানা খঙমিন্নবা কান্নগনি খল্লি।

লৌউ বিজ্ঞান্না ফৌগী মপূন্সিগী তাঙ্ককশিংবু চাওরাক্লা অহুম থোক্লা খায়দোক্লিম্মী।

১) ভেজিটেটিভ ফেজ (ফৌ পাম্বীনা পীক্লিঙৈ/নৌরিঙৈ/চাউখৎলকপা তাঙ্কক)
২) রিপ্রদক্টিভ ফেজ (মশা তাশিল্লকপা/মতাং কাবা মতমদগী মপান শাবা ফাওবা) অমসুং
৩) রাইপ্নিং ফেজ (মখোম হানবদগী মুনবা মতম)।

চাওরাক্লা খায়দোক্লিবা তাঙ্ককশিং অসিবু খরা কুপথনা অমুক খায়দোক্তুনা য়েংবা য়াই।

১) ভেজিটেটিভ ফেজ : ক) জরমিনেসন ষ্টেজ (উমি/মতোন থোকপা তাঙ্কক) : তাঙ্কক অসিদি ঈশিংদা হেক থাদবা হৌবা নুমিৎ অদুগা চানবা টেম্পরেচর (মৈশা) ফংবা মতমদগী হৌরগা মতোন থোকপা হৌরকপা তাঙ্কক অদুনি।

খ) সিদলিং ষ্টেজ (লৌহোনগী তাঙ্কক) : তাঙ্কক অসিদি মতোন থোকপা হৌবদগী মচা পোকপা হৌদ্রিবা মতম ফাওবা অসিনি। লৌহোন ওইরিবা মতম অসি ফৌ পাম্বীদুনা মনা ৬ পানবা হায়বদি মপূং ফাবা মনা ৩, চাওখৎলক্লিবা মনা ২ অদুগা শিখ্রবা মনা অমা পানবা তাঙ্কক্কী মনুং অসিবু লৌহোনগী মতমনি হায়না অদুমক লৌবা য়াই। অয়াম্বা ফীভম ফবা মতমদা লৌহোনসি নুমিৎ হুমনি-মরিনি খুদিংগী মনা অমমম চোংই হায়না লৌনৈ। লোয়ননা লৌহোন ওইরিঙৈ মতম অসি মতোন হেক উবদগী নুমিৎ ১৮-২৪ ফাওবা ওই হায়না লৌনৈ। মসিদগী হেনখ্রগদি লৌহোন অদু লিরে হায়না লৌবা য়ারে। লৌহোন্না নৌরিবমখৈ মচা পোকপা হেল্লি।

গ) তিল্লরিং (মচা পোকপা) ষ্টেজ : ফৌনা মচা পোকপা হৌবসি ফৌ পাম্বী মপীগী অনীশুবা মনাগী মতাং/মকাদগী হৌই। মসি মঙাশুবা মনা থোরকপগা মতম মান্নে। মচা মথং-মথং মনাগী মকা অমসুং পোল্লকইবা মচাগী মকাদগী পোকপদুনা মচা য়াম্না পোকপা তাঙ্কক অমা য়ৌরবা মতুংদা মচা পোকপা লেপখিগনি।

ফৌ হায়বসি নুমিৎ থোকপগী মতম তেনবা হায়বদি অহিংগী মতম্না শাংবা মতমদা শাৎপা পাম্বী ওইনা লৌনৈ। অদুবু পাম্বী অসি ১) নুমিৎ থোকপা মতম শাংবা তেনবদা তাংজদবা মশাগী নুমিৎ মশীংদা চৎপা (টাইম বাউন্দ) অদুগা ২) মতম ঙাইবা (সিজন বাউন্দ) হায়দনা মখল অনী থোক্লা লৈ। অহানবগী মখলশিং অসি হায় য়িলদিং ভেরাইটি (ঐচ ৱাই ভি) হায়নরিবা অদুনি। মখোয়দি নুমিৎ মশীংদা শাৎলি। অনীশুবগী মখলশিং (ট্রেদিসনেল মখল) সিজন বাউন্দ ওইবশিং অসিদি ফনা ঙন্না থারবসু মপান শাৎপগী মতম ঙাইদুনা লৈগনি, মতমদু য়ৌদ্রি ফাওবা শাৎলোই।

ভেজিটেটিভ ফেজ (উমি থোকপদগী মপান মমি তম্বা ফাওবা) অসি অমুক তাঙ্কক অনী লৈ। মখোয় অদুদি (ক) বেসিক ভেজিটেটিভ ফেজ অমসুং খ) ফোটো পেরিওদ সেন্সিটিভ ফেজ হায়না খঙনৈ। বেসিক ভেজিটেটিভ ফেজ অসিদা নুংশা মঙালদা তাংজদে। হায়রিবা তাঙ্কক অসি নুমিৎ ১০-৬৩নি মুক ওই। নুংশা মঙালগী মতমদা তাংজদবা মখলশিংগী ওইনদি নুমিৎ ০-৩০ মুক ওই তাংজবা মখলশিংগী (ট্রেদিসনেল মখল) ওইনদি নুমিৎ ৩১ নৎত্রগা য়াম্না হেন্না শাংবসু য়াই।

২) রিপ্রদক্টিভ ফেজ :-তাঙ্কক অসি ক) পেনিকল ইনিসিএসন (পি আই) মীতৈলোলদা মপান মমি তম্বা/মশা তাশিল্লকপা/মতাং কাবা মতম, খ) বুটিং (তরেংয়োৎ শাবা) গ) হেদিং (মপান/চরোং থিঙ্গৎপা) অমসুং ঘ) ফ্লাৱরিং (মপান শাবা) মতম হায়রিবশিং অসিগী মনুং চল্লি।

ক) মপান মমি তম্বা (পি আই) হায়রিবা তাঙ্কক অসি মতাং কাবা, মশা তাশিল্লকপা হায়নরিবা তাঙ্কক অদুনি। মতম অসিদা ফৌ চরোং ওইগদৌরিবা অদু শেম্বা হৌই। মপানগী ময়োন ওইনা অসুম থিনগৎলম্বদগী মপান ওইগদৌরিবা অদু শেম্বা হৌরকপনি। পোৎশক অসিবু চরোংগী প্রাইমোর্দিয়া হায়না খঙনৈ। মপী ওইবা পাম্বী অমা শেগায়দুনা য়েংবদা মীৎনা উবসু ঙম্মী। হায়রিবা অসি অশেংবা মপান মমি তম্বদগী নুমিৎ ১১নি শুবা মতমদা ওইগল্লি। মসি মপী ওইবা পাম্বীদগী হৌগনি। লোয়ননা মচাশিংদা চত্থরক্কনি।

খ) বুটিং ষ্টেজ (তরেংয়োৎ শাবা) : চরোংগী প্রাইমোর্দিয়া অসিদগী ফৌ মরূ শেম্না শেম্না মতোন ইথং থংবা অরোইবা মনাগী মখোক্লা য়োমশিন্দুনা থরো ওইনা পোংথোরকপা মতমনি। হায়রিবা অসি প্রাইমোর্দিয়া উবা হৌবদগী নুমিৎ ১৬নি চংই। তাঙ্কক অসিদা ফৌ মরূ কয়া য়াম্না শেমগনি হায়বদু লোইখ্রবনি।

মতাং অসিদা খঙজিনবা য়াবা অমনা ফৌগী চাইগদবা হার খুদিংমক পি আই ষ্টেজগী নুমিৎ খরনি মমাঙদা তাঙ্কক নাইনা লোইশিলহৌগদবনি। মরূ শেম্বা লোইখ্রবা মতুংদা চাইবা হার পাম্বীদা ইকান কান্নবা পীবা ঙমদে। মরূ মশীং শেম্বা লোইখ্রবনা মশীং হেনগৎলু হায়বা য়াররোই। পানগদবা মরূ মশীং শেম্বা লোইখ্রবা মতুংদা চাইবা হার মরু ওইনা য়ুরিয়া অসি ফৌ পাম্বীনা নাহৌননবা, লায়না তীলনা হেনগৎনবা শেল হেন্না তিংনবা মচাক ওই। চরু ওইনা লোক্তুনা তোক্নবা মচাকসু ওইহল্লি।

গ) হেদিং (মপান থিনগৎপা হৌরকপা) : বুটিংগী মতুংদা নুমিৎ ৬নিমুক শুবদগী মপান থিনগৎপা হৌই। মসিবুনি হেদিং ষ্টেজ হায়রিবসি।

ঘ) ফ্লৱরিং (মপান শাবা) : ফৌ মরূ ওইগদৌরিবা অদুগী মকু অদু শরুক অনী থোক্লা খায়দোকই। নাকল অমনা মরাক চপকনি, অমনা খরা পাক্কনি। অনী অসি পোখাইদুনা শাৎকাইরক্কনি, লোয়ননা মনুংদগী লৈরিক পুবা শরুক (এন্থর) অদুসু মখোক শাংদোক্তুনা অমদি পোখাইদুনা লৈরিক চাইথোরক্কনি। লোয়ননা মরূ চঙনবা মচাক ওইরক্কনি। তাঙ্কক অসিবু মপান শাবা হায়না খঙনৈ। মপান শাবা মতমদা মকু অনী শাৎকাইরকপা অসি নুংশা শাবা শাদবগী মতুংইন্না পুং ১-২.৫ মুক্কী মতম লৌই। চরোং অমগী মপান খুদিংমক মপান শাবা লোইবদা নুমিৎ ৭-১০নি চংই। ফৌনা মপান শাবসি নুংশা শাবগী মতুংইন্না অয়ূক পুং ৮দগী নুংথিল পুং ১ তাবা ফাওবা ওই। নুংশা থোক্ত্রবদি মপান শাবসি মতম থেংথৈ। চরোংগী মতোন থংবদগী শাবা হৌরগা মখা থংবদা লোইশিল্লি। মরম অসিননি চরোংগী মখোক্তা পানবা মরূনা থেংথনা ফৌ মুনবা থেংনরিবসি। ফৌগী লৈরিকশিংদি পোখায়দুনা থোরল্লবা মতুং মিনট ৫ খক্তং হিংবা ঙম্মী অদুবু অমোমগী শরুক (ষ্টিগমা/লৈয়োন/লৈরিক তাশিনফম) অদুদি নুমিৎ ৩-৭নি ফাওবা লৈরিকপু লৌশিনবা ঙম্মী। মরমদি লৈরিক্তগী ষ্টিগমানা মৈশা খাঙবা ঙম্বা হেনবননি। লৈরিক্তি ৪৩°সী হেনখ্রবদি হিংবা ঙমদে। মরম অসিননি নুংশা য়াম্না শামল্লবদি ফৌহাম চেনবা থেংনরিবসি। অমরোমদনা ২১°সীদগী হন্থরবসু লৈরিক য়োল্লিবা খাও অদু পোখায়বা/শাৎকায়দুনা লৈরিক নিংথিনা পাইথোকপা ঙমদে, লোয়ননা ফৌহাম চেনগল্লি। ফৌনা মপান শাবসি অশাবা লমদা লৈগী প্রাইমোর্দিয়া উবদগী নুমিৎ ২৫নি ফাওবা চঙই। অঙ্গংবা লমদনা খরা শাংদোকই।

৩) ফৌ মুনবা : মরূ চঙবা হৌবদগী তাঙ্কক অহুম থোক্লা ফৌ মুনশিল্লি।

ক) মিল্কি ষ্টেজ (খোম হনবা) : অহানবদা মকু খুমজিল্লবা মতুংদা মকুদুগী মনুংদা অহানবদা ঈশিংগুম মহি হাল্লি, মতুংদা শঙ্গোম মচু ওইরকই।

খ) দভ ষ্টেজ : মতাং অসিদা মহি ওইরম্বদগী অপেৎপা মপং ওইবা থেংনগনি।

গ) মপূং ফানা মুল্লবা : ফৌ মরূশিং অশংবা মচু ওইরম্বদগী চরু মচু ওল্লকই। মতাং অসিদা থমজনীংবসি চরোং অমদা পাল্লিবা মরূশিংগী চাদা ৮৫ চরু মচু ওল্লবা মতমদা ফৌ খাওবা মতম চপ চারে হায়বা অসিনি।

ফৌগী মরুওইবা তাঙ্ককশিংসি মুন্না খঙলবতদা ফৌ থাবগী পায়খৎকদবা থৌরমশিং মপূং ফাগনি, চাথোক হেনগনি। ●

মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা'
(নিংথৌরোল লম্বুবা) - ১২৬

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা
লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু
নুমিৎ খুদিংগী লমাই অসিদা ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

লালদা মরাং মথীল নাইনা। কৌব্রু লোকশামদা নমনা অনিমা লালফারে। হুয়েল লালফা লোক ও। হায়না মিংকৌয়ে। লাইরেল মৈদিংঙুনা। নোংফৌ চীঙলুখুম। মললোই লোইবী চীঙ মপুঙওয়াই। লোকলেল ৱাংখুলোকতা। লালদা খৌসাথবদি। হুয়েল লালশোকঙৈদা। লৈহৌ চীঙশাং নিংথৌ। হাওথাঙ হায়েলববু লাকচাথীনা লালঙমলে। তুবী মতিক চাওবনা। য়াইবু লোকনা লাইরেল ময়ুম মাইওননা হললকপদা। তরা চাক চাকনীঙখাক। ৱাংলৈ য়ুনিংখাকনা। লৈবগী থৌদাংখিয়ে। তায়োল খাঙতাপুঙ ও মিংকৌখিবদি। ●

ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'
(ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕ) -꯱꯲꯶

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕ ꯃꯌꯦꯛꯇꯒꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅ
ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯕ ꯏꯊꯣꯛꯄ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ
ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯂꯃꯥꯏ ꯑꯁꯤꯗ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ꯫)

ꯂꯥꯜꯗ ꯃꯔꯥꯡ ꯃꯊꯤꯜ ꯅꯥꯏꯅ꯫ ꯀꯧꯕ꯭ꯔꯨ ꯂꯣꯛꯁꯥꯃꯗ ꯅꯃꯅ ꯑꯅꯤꯃꯥ ꯂꯥꯜꯐꯥꯔꯦ꯫ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯜꯐꯥ ꯂꯣꯛ ꯑꯣ꯫ ꯍꯥꯏꯅ ꯃꯤꯡꯀꯧꯌꯦ꯫ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨꯅ꯫ ꯅꯣꯡꯐꯧ ꯆꯤꯡꯂꯨꯈꯨꯝ꯫ ꯃꯂꯂꯣꯏ ꯂꯣꯏꯕꯤ ꯆꯤꯡ ꯃꯄꯨꯡꯋꯥꯏ꯫ ꯂꯣꯛꯂꯦꯜ ꯋꯥꯡꯈꯨꯂꯣꯛꯇ꯫ ꯂꯥꯜꯗ ꯈꯧꯁꯥꯊꯕꯗꯤ꯫ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯜꯁꯣꯛꯉꯩꯗ꯫ ꯂꯩꯍꯧ ꯆꯤꯡꯁꯥꯡ ꯅꯤꯡꯊꯧ꯫ ꯍꯥꯎꯊꯥꯡ ꯍꯥꯌꯦꯜꯕꯕꯨ ꯂꯥꯛꯆꯥꯊꯤꯅ ꯂꯥꯜꯉꯃꯂꯦ꯫ ꯇꯨꯕꯤ ꯃꯇꯤꯛ ꯆꯥꯎꯕꯅ꯫ ꯌꯥꯏꯕꯨ ꯂꯣꯛꯅ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯃꯌꯨꯝ ꯃꯥꯏꯑꯣꯟꯅꯅ ꯍꯂꯂꯛꯄꯗ꯫ ꯇꯔꯥ ꯆꯥꯛ ꯆꯥꯛꯅꯤꯡꯈꯥꯛ꯫ ꯋꯥꯡꯂꯩ ꯌꯨꯅꯤꯡꯈꯥꯛꯅ꯫ ꯂꯩꯕꯒꯤ ꯊꯧꯗꯥꯡꯈꯤꯌꯦ꯫ ꯇꯥꯌꯣꯜ ꯈꯥꯡꯇꯥꯄꯨꯡ ꯑꯣ ꯃꯤꯡꯀꯧꯈꯤꯕꯗꯤ꯫ ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।